# ঐহাক্না শগোল কাংজৈ শান্নজরকখিবসিদি ইশানা গেম অসি থৱায় হকচাং য়াওনা পামজবদগীনি ঃ সুমিতা



সলাম সুমিতা দেবী
(পোলো শান্নরোয়)

(হান্নগী মখা...)

হৌজিক হৌজিক মণিপুরদা শগোল কাংজৈদা মশক খিত্তং থোক্লা শান্নরিবসিসু ঐখোয় য়াম্বা নত্তে। ফজনা কাঙলোন খরা শান্নজরিবসি ঐখোয় পূন্না ১২/১৩ মুক্তনি। মণিপুর গভর্ণমেন্টনা শগোল কাংজৈ তশেংনা য়োকখৎপা পাম্বীরগদি ঐখোয়দা অখন্নবা মিৎয়েং খরদি থন্বীয়ু হায়বসি য়াম্না থম্মোয় শেংনা হায়জনীংই। পোলোগী হৌরকফম ওইরিবা লমদমসিদা শগোল কাংজৈ শান্নগনি হায়দুনা থোকচরক্লিবা ঐখোয়গীসু প্লান খরদংদি পায়খৎপীয়ু। ইশাগী শগোল লোইজদুনা পোলো কন্ননবা হোৎনরিবা নুপী শান্নরোয় লৈ হায়বসি নীংশিংহঞ্জনীংই। অতৈ গেমগা শগোল কাংজৈ শান্নজরিবা ঐখোয়গা খেন্নবা খরসু লৈ। ঐখোয়গীদি শগোল থাকপা, য়োকপগী থৌদাং অমসু য়াওবনিনা অচৌবা প্রোব্লেম অমা ওই। শান্নবদা শীজিন্নগদবা শগোলদি খরসু চেকশিন্দবা য়াদে। অদুগা শগোল কাংজৈ থৱায় য়াওনা শান্নরিবা প্লেয়রশিংগী মনুংদা হৌজিক্তি ঐনা খ্বাইদগী সেনিয়র প্লেয়রসু ওইরে।

শান্নবা হৌজরকপদগী কলকত্তাদা, জয়পুরদা ইগজিবিসন মেচ কয়া অমসু চৎতুনা শান্নরকখ্রে। মণিপুরগী নুপীশিং পোলো শান্নবা হৈ হায়বসি হঞ্জিন হঞ্জিন ইগজিবিসন মেচ শান্নদুনা শক্তাকখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবা নুপী শগোল কাংজৈরোয় অমত্তা পূক্নিং থৌগৎপীদুনা থবক ইনখাং পীবদি লৈত্রি। ৱারবসু ৱানা পোলো কনবা পামজবদগী শগোল কাংজৈ নুংশিবদগী ঙসি ফাওবসু অদুমক শান্নরি।

অমরোমদা নুপী শান্নরোয়শিংগী ওইনদি টুর্নামেন্ট অসিসু য়াম্বা নত্তে। নুপীগীদি টুর্নামেন্টসু অহুমখক্তনি। ওল মণিপুর পোলো এসোসিএশন্না শিনবা ষ্টেট লেভেলগী অমনে, হোর্স রাইদিংনা ওর্গেনাইজ তৌবা গভর্ণরস কপনে অদুগা মণিপুর ষ্টেটহুদ দে ৱিমেন'স পোলো টুর্নামেন্ট (ওল মণিপুর পোলো এসোসিএশন্না শিনবা) হায়বা অমনে অহুমসিদনি। এসোসিএশনশিংগী ওইনদি ঙসি ফাওবা পোলো টুর্নামেন্টশিং লেপ্তুনা পাঙথোকপীরি। পোলো এসোসিএশন অমদি হোর্স রাইদিংনা টুর্নামেন্ট চাং নাইনা লেপ্তুনা পাঙথোকপীবগী মপান্না মণিপুরদা শগোল কাংজৈ হিংবা ঙম্বনি।

নুপী শগোল কাংজৈরোয় অমা ওইনা হায়জনীংবা ৱাফম খরদি, ঐখোয়গীসু সঙাই ফেষ্টিবেলগুম্বদা নুপীগী পোলো টুর্নামেন্ট অমা য়াওহঞ্জনীংই। ইগজিবিসন মেচ ওইনা শো উৎপগী ফীভমদা অসুমক থন্বীবসি মতম ফনা কুইরক্লে। ঐখোয়সু হৌজিক্তি ইন্টরনেসনল থাক্তা মশক থোক্লা শান্নবা পাল্লক্লে। থম্মোয় শেংনা শগোল কাংজৈ কনবীবা পাম্বা, মশান্নশিংবু নুংশিবীবশিং চোঙথোকপীরক্তুনা ঐখোয়না শান্নরিবসিদা মতেং পাঙবীয়ু হায়জরি। মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমদি পোলো য়োকখৎপীরিবা এসোসিএশন্নসু শগোল কাংজৈ শান্নজরিবা ঐখোয়গীদমক হান্নদগী চত্থরক্লিবা মতাংশিংদুদগী খরদং হোংদোকপীরগা অখন্নবা প্রাইজশিংসু থমহঞ্জনীংই। শান্নরোয় ওইজরিবা ঐখোয়দা পূক্নিং থৌগৎপীবা ৱাৎলবদি চহী খরগী তুংদা নুপী কাংজৈরোয় অমত্তা উবা ফঙলক্লোই।

অমরোমদা ফোরেন্দগী লাক্লিবা নুপী পোলো শান্নরোয়শিংদুনা ঐখোয়দগী মখোঙ মখূৎ শিংবা করিসু হেনবা নত্তে। য়ু এস এদগী লাক্লিবা নুপী শান্নরোয়শিংনা খূৎলোয়না শান্নবা ঙল্লিবদুদি তোয়না প্রেক্টিশ তৌবগীনি। মখোয়গীদি পোলোগী সবজেক্ট লাইরিক তম্বদা য়াওহল্লি হায়। অদুনা গেম অসিবু পামজবশিংনা স্কুলদগী মথং মথং তমদুনা লাকপনা পোলোগী শান্নরোয়সু মরাং কায়না লৈ হায়না ফোঙদোক্লম্মী। চহী তাঙ্কক কয়াগী পোলো টুর্নামেন্ট চহী চুপ্পা তৌই হায়। টুর্নামেন্ট মচা মচাদগীনা অচৌবা ১০০ রোম চহী অমদা শান্নবগী ৱাফম ফাওবা পল্লম্মী। ঐখোয়গীদি পোলোগী হৌরকফম মণিপুরনি হায়না লাউজবখক্তা ঙাইরে। শগোল কাংজৈ য়াম্না কন্না য়োকখৎপা হায়বদুদি ওইদ্রা খল্লি। থৱায় য়াওনা শান্নজরিবা ঐখোয় ফাওবা কান্নবা অমত্তসু ফংদবনিনা শান্নবা তোক্লগে খনবা, পূক্নিংদা নিংহন্নবা পোকপা কয়া অমা মশীং খঙদনা থেংনখ্রে। ঐখোয় খরসিনা শান্নবা তোকখ্রবদি নুপীগী পোলো অসি পুরানা মুৎখ্রনি খল্লগা ঙসি ফাওবা খাংদুনা শান্নজবনি।

-মথং-মথং



রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
নুপী শগোল কাংজৈরোয়শিংদা মীৎয়েং অমা

# বি কে ত্রোফি টেনিস বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা য়ঙ ক্রিকেটর বামোন কম্পু মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৬ (ঐচ এন এস):

য়ঙ ক্রিকেটর বামোন কম্পুনা শিন্দুনা বামোন কম্পুদা লৈবা বামোন কম্পু ক্রিকেট গ্রাউন্দদা চত্থরিবা তরেৎশুবা ষ্টেট লেভেল ওপন টেনিস বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্ট বি কে ত্রোফি ২০১৭ কী ঙসি মেচতা য়ঙ ক্রিকেটরস বামোন কম্পু মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা য়ঙ ক্রিকেটরস বামোন কম্পুনা ক্রিকেট সিদো রন ৫৩ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা য়ঙ ক্রিকেটরস বামোন কম্পুনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌনবা খনখি। য়ঙ ক্রিকেটরস বামোন কম্পুনা ওভর ১৫ মায়োক্লখিবদা ৱিকেট ৭ আউট ওইরগা রন ১৩২ লৌখি। টিমদুগী বেটসমেন ফোলেন্দ্রোনা রন ১৪ (২৫), ঙৌবনা রন ২১ (২২), জেকিনা রন ৩৪ (১৩), মনাওবনা রন ১৭ (১০), হেমচান্দনা নোট আউটতা রন ২১ (১১) গোকুলনা রন ১৬ (৯) লৌখি।

ফিল্ডিং তৌখিবা ক্রিকেট সিদো শিংজমৈগী রোসন্না ৱিকেট ৪ লৌখি। য়ঙ ক্রিকেটরস বামোন কম্পুনা থম্লম্বা টার্গেট স্কোর অদুগী পাউখুম পীবা ঙমদনা অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা য়ঙ ক্রিকেটরস ক্রিকেট সিদো শিংজমৈনা ওভর ১৫ মায়োক্লখিবদা শুপ্পগী রন ৭৯ খক লৌরগা ওল আউট ওইদুনা য়ঙ ক্রিকেটরস বামোন কম্পুগী মখূৎতা রন ৫৩ দা মায়থীহৌখি।

মেচ অদুদা য়ঙ ক্রিকেটরস বামোন কম্পুগী রোয়ানন্দনা ৱিকেট ৩ লৌদুনা মেন ওফ দ মেচ তাখি।

# এ এফ সি ট্রোফি সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৬ (ঐচ এন এস) : এথলেটিক এন্দ ফুটবোল ক্লব (এ এফ সি) থৌবাল অথোকপম্না শীন্দুনা চত্থরিবা অহুমশুবা এ এফ সি ট্রোফি সভেন মেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা সোনালিকা এফ সী কোনুং মমাঙ অমদি মৈরা এফ সী তেকচম মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা সোনালিকা এফ সী কোনুং মমাঙনা মমা এফ সী শগোলবন্দ গোল ৩-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইনা শান্নখিবনা অমনা অমবু লাকশিনবদা ৱানখি।

মেচ অদুদা মায় পাক্লবা সোনালিকা এফ সী কোনুং মমাঙগী অহানবা গোল পেনিনা মেচকী ৩১ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল মহাক্লা অমুক হন্না মেচকী ৩৭ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অহুমশুবা গোল দিপক্লা মেচকী ৩১ শুবা মিনিটতা চনখি।

মেচ মায়থীহৌরবা মমা এফ সীগী অহানবা গোল অদু রোসন্না মেচকী ২ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল ফালগুনিনা মেচকী ৪ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা মৈরা এফ সী তেকচম্না হৈরোক এফ সী হৈরোক গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা মৈরা এফ সীগী গোল অনীমক জোন্না মেচকী ১৮ অমসুং ৩৬ শুবা মিনিটতা চনখি।

# থাও ষ্টেট মিনি বোইজ ফুটবোলদা টি বি এস এফ এ, সব জুনিয়রদা এম এস এ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৬ (ঐচ এন এস): থাংমৈবন্দ এথলেটিক য়ুনিয়ন (থাও) না শিন্দুনা থাও স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চত্থরিবা ৩০শুবা মিনি অমসুং ২৪ শুবা সব জুনিয়র থাও ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬-১৭ কী ঙসি শান্নখিবা চহী ১৪ মখাগী মিনি বোইজগী মেচতা টি বি এস এফ এ তাওবুংখোক মায় পাকখ্রে। চহী ১৭ মখাগী সব জুনিয়র বোইজগী মেচতনা এম এস এ থাংমৈবন্দ মায় পাকখ্রে।

টিম ১১ না গ্রুপ মরিদা শরুক য়াদুনা চত্থরিবা চহী ১৪ মখাগী ঙসি শান্নখিবা মেচতা টি বি এস এফ এ তাওবুংখোক্না এম এস সী মালোম গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা মায় পাক্লবা টি বি এস এফ এ তাওবুংখোক্কী অহানবা গোল কে ঐচ লোয়ালাকপনা মেচকী ২৬ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল গোগোচা চুংখাম্না মেচকী ৪০ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা চহী ১৭ মখাগী সব জুনিয়র বোইজগী মেচতা এম এস এ থাংমৈবন্দনা সী এ ৱাই সী ন্যু চেক্কোন গোল ৩-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা এম এস এ থাংমৈবন্দগী অহানবা গোল এল দেভিদনা মেচকী ৯ শুবা মিনিটতা চনখি। কে জোনসন্না টিমদুগী অনীশুবা গোল মেচকী ২১ শুবা মিনিটতা অদুগা এল বেনজোনসন্না টিমদুগী অহুমশুবা গোল মেচকী ৫২ শুবা মিনিটতা চনখি।

# টি-২০ ভেটেরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৬ (ঐচ এন এস): মণিপুর ভেটেরান ক্রিকেট এসোসিএশন্না শিন্দুনা ওরিয়েন্টেল কোলেজ অমসুং মোদেল হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ৫ শুবা ত্বেন্টি-২০ মণিপুর ভেটেরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৬-১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা নবসা খা ইম্ফাল রন ৫৮ দা মায়থীবা পীদুনা সাইক্লোন সেমী ফাইনেল চঙখ্রে। ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ওভর ২০ মায়োক্লখিবদা ৱিকেট ৫ আউট ওইরগা রন ১২৮ লৌখি। নবসানা ওভর ১৬.৪ মায়োক্লখিবদা শুপ্পগী রন ৭১ খক লৌরগা ওল আউট ওইখি। মেচ অদুদা সাইক্লোনগী সুরজিৎনা ৱিকেট ৩ লৌদুনা মেন ওফ দ মেচ তাখি।

# কে এস ৱাই সী ফোর মেন এ সাইদ ওপন সুপর সোক্কর

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৬(ঐচ এন এস) : কমখ্যা সোসিএল য়ুথ ক্লব হিয়াংথাং মমাঙ লৈকায়না শিন্দুনা চত্থরিবা ৩ শুবা ষ্টেট লেভেল কে এস ৱাই সী ফোর মেন এ সাইদ ওপন সুপর সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা এল কে সী সী লংথবাল খৌপুম অমদি জি এস এফ সী টিম বি কৈশাম্পাৎ গোল ১-১ দা ড্রো ওইখ্রে। মেচ অদুদা জি এস এফ সী টিম বিগী গোলা অদু এ ওপেন্দ্রনা চনখি। এল কে সী সীগী গোল অদু অশিনৱৈনা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা এস এফ সী নরান কোঞ্জিন লাক্তবদগী এল এফ সী লৈশাংখোংনা ৱর্ক ওভর ফংখ্রে। হয়েং অহানবা মেচ নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা পামুবা এফ সী হৈরোক অমসুং জি এস এফ সী টিম এ কৈশাম্পাকি শান্নগনি। অনীশুবা মেচ নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা আর এফ সী শগোলবন্দ অমসুং সন এফ সী মোংশাঙ্গৈগা শান্নগনি।

# মেরিনা স্প্রিং কপ্তা ঐচ এন এস সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৬ (ঐচ এন এস) : দল্লিয়ু এফ সী শিংজমৈ ৱাইখোম লৈকায়না শিন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা টিম ১৬ না শরুক য়াদুনা চত্থরিবা অহানবা মেরিনা স্প্রিং কপ সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ঐচ এন এস সী হাওরৈবিনা দল্লিয়ু এ সী গোল ৮-২ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা মায় পাক্লবা ঐচ এন এস সী হাওরৈবিগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংনা শান্নদুনা মেচকী মতম পুম্বদা বোল পায়দুনা ওপোনেন্ট টিমীগ মায়কৈদা অকনবা এটেক কয়া চত্থখি।

মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা ঐচ এন এস সী হাওরৈবিনা গোল অনী চনখি। গোল অনী অদু তেপেশ্বরনা মেচকী ২২ অমসুং ২৪ শুবা মিনিটতা চনখি। হাফ মতুংদা বিনোয়না গোল অনী, অপিক্লা গোল অনী, সনাহল অমসুং শ্যামসন্না গোল অমমম চনখি। দল্লিয়ু এস সীগী গোল অনী অদু মালেম্না চনখি।







## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৪০

1. 'পেনালটি বুলী' হায়বা ৱাহৈ অসি করম্বা মশান্নদা শীজিন্নরম্বগে?
2. ইন্টরনেসনল ইনভিটেসন জিম্নাষ্টিক্স চেম্পিয়নশিপ্তা সনাগী মেদল য়াওনা মেদল অহুম ফংলকখিবা অহানবা মণিপুরগী শান্নরোয় অদুগী মমিং করি কৌই?
3. সুরজিৎ সিংহ পানেশার অমসুং অভাটার সিংহ সোহাল রোম, টোকিও অমসুং মেক্সিকোদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক গেমসদা টিমগী মশান্না (ফুটবোল, হোকি, বোল্লিবোল, বাস্কেটবোল, ৱাটর পোলো, টিম জিম্নাষ্টিক্স, টিম মোর্দন পেন্তাথলোন) অমদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয়শিংনি। মখোয়না করম্বা মশান্নদা শরুক য়াখিবগে?
4. ক্রিকেট শান্নরোয় অহুম ক্রিকেট হৈবগীদমক য়ুনাইটেদ কিংদমগী মহারানি ইলিজাবেথনা নাইদ হুদ পী। টেষ্ট ক্রিকেটতা টিম অমত্তদা মীচং ওইমিন্নবা অহুম অসিবু "Three Ws" হায়না খঙনৈ। মখোয় অহুমক্কী মমিং ইংরাজি ময়েক্তা ইরগা পাউখুম পীয়ু।
5. Montreal ওলেম্পিক্কী এথলেট অমনা মহাক্কী মশান্নদা শরুক য়ারমদাইদা মীয়ামদা মহাক্কী ফুরিৎতা I love French Canadians থাবা অমা উৎলিবা শান্নরোয় অসি কনানো?




মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱাররী ১০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# জিরি ফুটবোল: ৬শুবা নোনিগোপাল মেমোরিএল ইনভিটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট



জিরিবাম, ফেব্রুৱারী ০৬(ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) গী মিৎয়েং মখাদা ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ), জিরিবামনা শীন্দুনা জিরিবাম গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দদা মণিপুরগী মপান্দগী লাকপা য়াওনা টিম ১৮ না শরুক য়াদুনা চত্থরিবা তরুকশুবা কে এস ঐচ নোনিগোপাল মেমোরিএল ইনভিটেসন ফুটবোল টুর্ণামেন্ট, ২০১৬-১৭ কী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল লীগ মেচতা নাকো ইম্ফাল ৱেষ্ট মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল লীগ রাউন্দগী অরোইবা মেচ অদুদা নাকো ইম্ফাল ৱেষ্টনা জে পি সী অগরটালা গোল ৫-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। হয়েং নাকো ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং মাইবোং এস এগা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেলগী মেচ ওইনা শান্নগনি। অনীশুবা মেচতনা হিসু থৌবাল অমসুং এল এফ কে এফ সী মিজোরামগা শান্নগনি।

ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল লীগ রাউন্দগী মেচ অদুদা নাকো ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি জে পি সী অগরটালা অনীগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা হৌরকখি। অদুবু তপ্না তপ্না নাকো ইম্ফাল ৱেষ্টকী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কোওর্দিনেসন লৈনা শান্নরকপনা জে পি সী অগরটালাগী মায়কৈদা অকনবা এটেক কয়া লেপ্তুনা চত্থরকখি।

মেচ অদুদা জে পি সী অগরটালানা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখিবগা লোয়ননা নাকো ইম্ফাল ৱেষ্টনা বোল পায়দুনা শান্নবা হৌখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

হাফ মতুংদা নাকো ইম্ফাল ৱেষ্টকী শান্নরোয়শিংনা লাল্লোং কয়া তৌদুনা জে পি সী অগরটালাগী মায়কৈদা মীকুপ কাংদনা য়াম্না থাজদবা মওংদা অকনবা এটেক কয়া চত্থরকখি।

নাকো ইম্ফাল ৱেষ্টকী শান্নরোয় জেকিনা মেচকী ৫৪ শুবা মিনিটতা গোল একাউন্ট হাংদোকখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল গোজেন্না মেচকী ৫৯ শুবা মিনিটতা চনখি। মোধুমঙ্গলনা টিমদুগী অহুমশুবা গোল মেচকী ৬৮ শুবা মিনিটতা চনখি। সুরজনা টিমদুগী মরিশুবা গোল মেচকী ৮৫ শুবা মিনিটতা চনখি। খোগেন্না টিমদুগী মঙাশুবা গোল মেচকী অরোইবা মীকুপ্তা চন্দুনা নাকো ইম্ফাল ৱেষ্টকী পূন্না গোল মঙা শুখি।

# কে ৱাই দল্লিয়ু এ সি ট্রোফিদা এফ সী কদাজিৎ অমসুং ৱালিদা এফ সী ৱাবগাই মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৬ (ঐচ এন এস): কদাজিৎ য়ুঠ ৱেলফেয়র এসোসিএটেদ ক্লবনা শীন্দুনা কদাজিৎ এল পি স্কুলগী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা অনীশুবা ষ্টেট লেভেল ওপন ফোর মেন এ সাইদ সোক্কর টুর্ণামেন্ট কে ৱাই দল্লিয়ু এ সি ট্রোফি ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা এফ সী কদাজিৎনা টি এন এল কৈরক গোল ৮-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা এফ সী কদাজিৎকী গোলশিং অদু এম সিটলনা গোল মঙা, এন মেলৈ, এম সাগর অমসুং এ কেনা গোল অমমম চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা ৱালিদা এফ সী ৱাবগাই অৱাং লৈকায়না দল্লিয়ু ঈ এস সী ৱাবগাই থিঙেল লৈকায় গোল ৫-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা ৱালিদা এফ সীগী গোলশিং অদু এম দয়ানন্দনা গোল অনী, এম নোংদম্বনা গোল অনী অদুগা এম বিদ্যাশ্বরনা গোল অমা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা মেচতা এফ সী কদাজিৎনা ৱাই এস ও দি এ উচিৱা গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা এফ সী কদাজিৎকী গোল অদু এম সাগরনা চনখি।

